# মণিপুরী ফিল্ম ফোরম অসাম শেমখ্রে

সিলচর, ফেব্রুৱারি ১৮ (ঐচএনএস): সিলচরদা অখন্নবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মণিপুরী ফিল্ম ফোরম অসাম এম এফ এফ এ ঙসি শেমখ্রে। মীফম অদুদা শক্লাইরবা স্ক্রিপ রাইটর ডা: কুঞ্জালা য়েন্দ্রম্বমবু চিয়রমেন, ৰাই প্রফুলা সিংহ অমসুং এক্টর দল্লিয়ু সোমোর লুৱার, ডা: মাইমোম শান্তিকুার অমসুং খিরো গোপাল শর্ম্মাবু ভাইস চিয়রমেনশিং, জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং ট্রেজরর ওইনা খনখ্রে।

আই এস থিঙোমবু চীফ এডভাইজর, ফনজৌবম লোকনাৎপু মেডিয়া এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরি ওইনা খনখ্রে হায়রি। নৌনা শেম্লবা মণিপুরী ফিল্ম ফোরম অসামবু ফিল্ম ফোরম মণিপুরদা মমিং থাদুনা নৌনা থৌ পুগদবশিংগী মমিংশিং অয়াবা লৌনবা থারগনি হায়রি।

## সর্টিফিকেট য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮ (ঐচএনএস): পর্সোনলিটি দিভলপমেন্ট ট্রেনিং সেন্টর, ৱাঙখৈ অয়াংপল্লিনা শিন্দুনা সেন্টর অসিদা অনিসুবা বেষ্ট ওইনা ট্রেনিং তৌরিবা রাইম টিচরশিংবু ট্রেনিং সেন্ট লোয়শিন্দুনা সর্টিফিকেট য়েন্থোকখ্রে।

ৱাঙখৈ অয়াংপল্লিদা লৈবা হীদম ভাসু ট্রেনিং সেন্টর হোলদা ঙসি সর্টিফিকেট য়েন্থোকপগী থৌরম অসি পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা কোংজম রোমা দেবী প্রধান, থমবালখোং গ্রাম পঞ্চয়ৎ, ইম্ফাল ইষ্টনা চীফ গেষ্ট, সাপম মোমোন সিংহ এক্স-কাউনসিল্লর আই এম সি, প্রসিদেন্ট ফিল্ম একেদমী মণিপুর না গেষ্ট ওফ ওর্নর অমসুং সারাংথেম থোইবী চন্নু মন্বর, ৱার্দ নম্বর ১০/৩/৩, থমবালখাং গ্রাম পঞ্চয়ৎ ইম্ফাল ইষ্টনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা হীদম ভাসুনা হায়খি মফম অসিদা রাইম ট্রেনিং তৌরিবা অসিগী লোইশিল্লকপগা মরী লৈননা থৌরম অসি পাঙথোকখি। ট্রেনিং অসিদা হৌগৎলমলিবা অঙাংশিংদা মখোয়বু মতৌ করম্না লোয়নগদগে হায়বগী ট্রেনিং পীরি। ট্রেনিং পীরিবা অসি অঙাংশিংদা অফবা কেরিয়র শেম্বা ঙম্নবা মওংদা হোথনদুনা পাঙথোকপনি।

## বন্দ চথখিগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৮ (ঐচএন এস): ওল মণিপুর দি পি সী কমপ্লিটেদ রি-রিক্রুটমেন্ট কেন্দিদেট ওফ পুলিস কন্সটেবল (মেল) ২০১৬ বেটচনা চথরকখিবা খোঙজং অমা ওইনা চীংগী এরিয়াদা থা অসিগী ১৬ তগী চথরকখিবা বন্দ মখা তানা চঙশিনখিগনি হায়না গ্রুপ অসিগী প্রসিদেন্ট অহোংশাংবম বিনোইনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা এ বিনোইনা হায়খি, থা অসিগী ১৬ তগী চীংগী এরিয়াদা চথরকপা বন্দ অসিদা ঙসি ফাওবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী রেস্পোন্স পীরকপা লৈত্রি। চীফ মিনিষ্টর উননবা হোৎনবদসু উনবা ফংদ্রি। হাওপু তাওথাং অমদি বিনোইনা চীফ মিনিষ্টর উনবসু লৈত্রি। মসিদা লান্না শন্দোকপা তৌবীগনু। চীংগী এরিয়াদা বন্দ তৌরিবা অসিদা চীংদা লৈবা কেন্দিদেটশিংনা পেন দবদগী চথবনি। ঙসি ফাওবদা লৈঙাক্না রেস্পোন্স পীরকপা লৈতবনা বন্দ মখা চথখিগনি। খোঙজং হনবা লৈখিরোই হায়নসু ফোঙদোকখি।


## GAS NEWS

**IMPHAL LPG SERVICE**
**SL.NO. UPTO : 46064**
Booking Upto:18/01/2018
Valid From:16/11/2017
***Stk :306***
***(Delivery at Heinoupok Godown)***

**K&K INDANE SERVICE**
**SL.NO. UPTO : 250**
Booking Upto:12/01/2018
Valid From:03/01/2018
***Stk :612***
Timing:07.30am to 11.00am
*(First Come First Serve)*

**MM GAS SERVICE**
Booking Upto:12/01/2018
Valid From:06/01/2018
***Stk :612, Rs.842.5/-***
***(DBTL Only)***
Timing:07.30am to 10.30am

**MANIPUR GAS SERVICE**
Booking Upto:27/12/2017
Valid From:20/12/2017
***Stk :306 (DBTL)***
***Stk 19Kg:12***
Timing:07.30am to 09.30am

**MANIPUR POLICE GAS**
Booking Upto:01/02/2018
Valid From:31/01/2018
***Stk :306***
***(Only for CTC & DNSC)***
Timing:10.00am to 01.00pm

**MISAO GAS SERVICE**
Booking Upto:29/12/2017
Valid From:09/12/2017
***Stk :306***
Timing:07.30am to 10.30am

**KHUMBONG INDANE**
Booking Upto:12/01/2018
Valid From:09/01/2018
***Stk :306***
Timing:07.30am to 10.30am


# কাদা জিরিবাম ডিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি নৌনা শেমখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৮ (ঐচএনএস): ককচিং ডিষ্ট্রিক্ট হেড ক্বাটর অসি শঙ্গাহৌদে হায়বগী খুদোংচাবা লৌদুনা হৌজিক হৌজিক চথরিবা এসেমব্লি সেসনদা পোলিটিকেলগী খুদোং চাবা লৌনবগীদমক ডিষ্ট্রিক্ট অসিগী হেড ক্বাটর অসি ৱাইখোং থোংজাওদা থমগদবনি হায়না মীওইখরগী খুদোংচাবা লৌগনু হায়না কৈরক এরিয়াদা লৈরিবা ক্লবশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি নুংথিল ককচিং ডিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা কৈরক্কী ক্লব তরুক্না শিন্দুনা কৈরক কৈথেল লম্পাক কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উন্নবগী থৌরম অমদা ক্লবশিং অসিগী মীহুৎশিন্দুনা পব্লিক য়ুথ ক্লবগী ভাইস প্রসিডেন্ট এন সরতনা হায়খি, সব ডিভিজনেল হেড ক্বাটর ওনা লৈফম থোকপা মচাক মতিক চানা লৈরজরবা ককচিংনি। হন্দক এসেমব্লিদা ককচিং ডিষ্ট্রিক্ট হেড ক্বাটরবু ৱাইখোং থোংজাওদা থন্বীয়ু হায়রকপা অসি অঙকপা পোকই। ঈংনা-তপ্না লৈজরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা খুন্দারিবা ডিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়ামদা অমগা-অমগা নুংশিনদনবা অমদি লৈবাক ঈরাং থোক্লবগী মরু হুনবনি হায়দবা ঙমদে। ককচিংডিষ্ট্রিক্টকী ডি সিনা ৱাইখোং থোংজাওনা ডিষ্ট্রিক্ট অসিগী হেড ক্বাটর শান্নবগী চপ চাবা মফমনি হায়না রিকমেন্ট তৌই হায়না ফোঙদোকখিবা অদু লাইবক থিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৬ কী ডিসেম্বর ৭ তা গেজেট নোটিফিকেসন থোক্তুনা মতমদুগী লৈঙাক্না ককচিং সব ডিভিজনবু মপুং ফাবা রেভিন্যু অমনি হায়না লাউথোকখিবদগী ঙসি ফাওবা ককচিংদা ডিষ্ট্রিক্ট হেড ক্বাটর অমা ওইবগী তৌফম থোকপা থবক থৌরম খুদিংমক মায় পাক্লা লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি হায়না ডি সিনা হেড ক্বাটর শান্নবা রেকমেন্ট তৌখিবা নত্তে, চুন্নখক্কী ইক্বারি রিপোর্ট অমখক পীখৎপা খক্তনি। ককচিং সব ডিভিজনগী হেড ক্বাটর ওইনা গভর্ণমেন্টকী মরী লৈনবা থবক থৌরম কয়া পাঙথোকপদা নকপা লাপ্পা, ময়াই চাবা চাদবগী করিগুম্বা খুদোংচাদবা অমত্তা লৈখিদে হায়দুনা ফোঙদোক্লদুনা সব ডিভিজন অসি রেভিন্যু ডিষ্ট্রিক্ট অমা ওইনা অপগ্রেদ হেক তৌখিবা হৌজিক লৈরিবা থবক থৌরমশিং অসি চথরিবা মফম অসিদা মীওই খরখক্না ৱাইখোং থোংজাওদা ডিষ্ট্রিক্ট অসিগী খ্বায়দগী ময়াই চাবা মফমনি অদুনা ৱাইখোং থোংজাওদা ডিষ্ট্রিক্ট হেড ক্বাটর শাগদবনি হায়বসি মরম চাদবা ৱাফমনি। ককচিংদি হৌজিকসু তোঙান তোঙানবা ডিষ্ট্রিক্ট লেভেলগী ওফিসর কয়া অমসু মথৌ তৌদুনা লৈরি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

মরম অসিনা ডিষ্ট্রিক্ট হেড ক্বাটরগী তঙায়ফদবা ওইরিবা মিনি সেক্রেটরিয়েট অসি অথুবা মতমদা শাবা হৌবীনবা, উরেপ-উয়ুং তন্বীয়ু, ডিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা ওফিস কয়া শেমগৎ-শাগৎলকপদসু ডিষ্ট্রিক্ট অসিগী মফম চাবা য়েংলগা শাগৎপীদুনা মশক থোকপা ফজবা ডিষ্ট্রিক্ট অমা ওইনা শেমগৎপীনবসু লৈঙাক্কী পুক্নিং চিংশিল্লক্লি।

পাউমীশিংগা উন্নবদা শরুক য়াখিবা পি ৱাই সিগী মেম্বর ৱাই পোলোই মৈতৈনা হায়খি, লৈঙাক্না অথুবা মতমদা য়েৎন্নিংঙাই লৈত্রবা হৌজিক লৈরিবা মফম অসিদা ডিষ্ট্রিক্ট অসিগী হেড ক্বাটর শাদদুনা অতোপ্পা মফমদা শান্নবা হোৎনরক্লবদি ৱাবগাই এ সিগী মনুং চন্না লৈরিবা কৈরক্কী মীয়াম্না খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা শেম শাদুনা লৈ।

# মহৈরোইশিংগী চাংয়েং কাংলোন চুন্না পাঙথোকউ: এমসু

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৮ (ঐচ এন এস): লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ১৯ অমদি ২০ দগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্লাট টেন অমদি ক্লাস টুয়েল্বকী এগজামিনেসনশিংদা শরুক য়াগদৌরিবা মহৈরোইশিংদা ওল মণিপুর ষ্টুডেন্টস য়ুনিয়নগী মায়কৈদগীসু য়াইফ পাউচেল পীরক্লি।

মণিপুর পূম্বগী মহৈরোইশিংগী ওইবা লুপ অসিনা এগজামিনেসনশিং অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা মহৈরোইশিংদা য়াইফ পাউজেলগী ৱারোল অমনা হায়, লৈবাক অসিগী তুংগী মরু চঙবা য়ুন্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা মহৈরোইশিংগী অচৌবা চাংয়েং অমা ওইরিবা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বকী এগজামিনেসনশিং অসিদা শরুক য়াবিগদবা মহৈরোই পূন্নমক্কী মফমদা মণিপুরগী মহৈরোইশিংগী অপূনবা লুপ (এমসু) না মায় পাকপা মীশক অমমম ওইবীরকউ লোয়নন্না লৈবাক খুন্নাইগী তুংগী অচৌবা থৌদাং কয়া পুবীরকপা ওইবিরকউ হায়না য়াইফ পাউচেল পীরি।

এমসুগী পাউচেল ৱারোল অসিনা মখা তারদুনা অসিগুম্বা হৌগৎলক্লিবা মহৈরোইশিংগী তুংগী লাইবক লেপকদবা অচৌবা চাংয়েংশিং অসিদা পামদবা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোক্তনবা এগজামিনেসন অসিবু শিন-লাংলিবা বোসেম অমদি কোসেমগী ওথোরিটিশিংনা অকনবা থৌরাংশিং লৌখৎপীয়ু লোয়নন্না এগজামিনেসন সেন্টরশিংদা মথৌ তৌবীগদবা ইনভিজিলেটরশিংনা মীকুপ নাহুমশিংনা লৈবীনবসু আপীল তৌরি।

এগজামিনেসন অসিবু মায়োক য়াবিগদৌরিবা মহৈরোইশিংনসু অরোনবা ৱাখল হায়বদি নৎতবা পান্থৈশিং শিজিন্নবগী ৱাখলদগী লাপ্পা লৈনবসু এমসুনা মখা তানা আপীল তৌরি।

লোয়নন্না এগজামিনেসন অসিবু কাঙলোন চুন্না নিংথিনা পাঙথোক্লবা খঙহল্লকপগা লোয়নন্না এগজামিনেসনশিং অসিগা মরী লৈননা লৈবীরিবা মহৈরোই ওর্গনাইজেসন, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন, ক্লব অমদি লোকল বোদিশিং অমসুং মহৈরোইশিংগী মমা-মপা ওইবশিং য়াওনা মপুং ফানা এগজামিনেসন অসি পাঙথোকমীন্নসি হায়নসু মখা তানা ওল মণিপুর ষ্টুডেন্টস য়ুনিয়ননা আপীল তৌরক্লি।

# শক্লাইরবা অহল কয়ানা থম্বীরম্বা কলচরনা আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট মায় পাকপনি : জয়ন্তকুমার

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৮ (ঐচএন এস): শক্লাইরবা অহল কয়ানা থম্বীরম্বা মণিপুরগী কলচরনা আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট মায় পাকপনি হায়না আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা ঙসি দিপার্টমেন্ট অসিগী দোর্মিটরি হোলদা পাঙথোকখিবা ৮-শুবা ঠিএটর ওলেম্পিকতা শরুক য়ারুগদবা ঠিএটর গ্রুপশিং অমদি দিরেক্টরশিং মায় পাকপা পুরক্লবগী য়াইফ থৌজাল পীবগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর জয়ন্তকুমারনা হায়খি, ঠিএটর ওলেম্পিক ইন্দিয়াদা পাঙথোক্কদবা ফেষ্টিবেল অসিদা মণিপুরগী ঠিএটর গ্রুপ ৯ অমসুং শুমাঙ লীলা অমা য়াওনা পূন্না ১০না শরুক য়াবা হায়বসি লমদম অসিগী চাওথোকচনিংঙাইনি। আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকীসু চাওথোকচনিংঙাই ওই। মালেমদা মণিপুরগী কলচর মশক তাক্লিবনি। পীকখ্রবা মণিপুর লমদম অসিগী কলচরগী মশক মালেমনা খঙনরিবসি তোপ-তোপ্পা অমা য়াওরি হায়বসি খঙবদগীনি। দিল্লিদা ঙরাংদগী হৌখ্রবা ঠিএটর ওলেম্পেকতা শরুক য়াবা হায়বসি মণিপুরগী মায় পাকপা ওইহনসি। মণিপুরনা মেদল কয়া পুরগা চৎখ্রে হায়বদু হায়হনসি। দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগীসু তৌবা য়াবা করি লৈবগে হায়বদু য়েংগে। সী এমদসু হৌদোক্কে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা আর্ট এন্দ কলচর কম্মিস্নর এম লক্ষ্মীকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, মালেমগী মফম কয়াদা মণিপুরগী কলচরগী মতিক ময়াই মুন্না খঙবীবা য়াম্না লৈ। ঠিএটর ওলেম্পিকতা য়াওরিবশিংনা মায় পাক্লা হল্লকপদা ঐখোয়সু করি তৌবা য়াবগে হায়বদু হোৎনগনি। আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনসু থোঙ লাউনা হাংদুনা থমগে হায়নসু ফোঙদোকখি।

মালেমগী লৈবাক ৩০গী মীওই লিশিং ২৫ রোম্না শরুক য়াগদবা ঠিএটর ওলেম্পিকনি। ঠিএটর গ্রুপশিং অদুদি, কালা ক্ষেত্র মণিপুরগী অনী, লৈখিদ্রবা হৈস্নাম কহ্নাইলাল অমসুং মচানুপা তোম্বগী দ্রামা, কংলৈ মাইম ঠিএটর রিপর্টরিগী ডো. ৱাই সদানন্দ, এন টি ঠিএটরগী এন দিপক, ব্লুমিং কলচরেল একাদেমিগী এন যাদুমনি, ট্রেজর আর্ট এসোসিএসন মণিপুরগী জয় মাইস্নাম, উমব্লিকেল ঠিএটরগী ওসিস শৌগাইজম, নাচোম আর্টিষ্ট ফাউন্দেসনগী সুর্জিৎ নোংমৈকাপ্পম, কোরস রিপর্টরি ঠিএটরগী রতন থিয়ামনচিংবগী প্লে উৎকনি। শুমাঙ লীলাগী ওইনা সঙাই আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী ইবোয়াইমা খুমনগী উৎকনি।

## মণিপুরগী কৌনাগী পোখোক...

*লামায় ১গী মখা...* মনুংদা বেগ, বাস্কেট অমদি কৌনানা শাবা অতৈ লৈতেংগী পোৎলমশিংনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, হন্দক্কী মেলা অসিদা কৌনানা শাবা পোৎলম কয়ামরুম লৈগে হায়দুনা ওর্দর তৌরকখি। ওর্দর তৌরকখিবশিংগী মনুংদা য়ু এস এ, লন্দন, জপান, ফ্রান্স, মুম্বাই অমসুং দিল্লি মচাশিং য়াওরি। মুম্বাইগী লল্লোনবা অমনা মণিপুরগী মহৌশাগী ওইবা পোৎলমশিং অসিবু য়াম্না খোইদানা য়েংবগা লোয়নন্না পোৎলমশিং অসিগী সেম্পলশিং লৌখি, অদুগা কে জি ১৬,০০০ লোমগী পোৎ পীননবা দিমান্দ তৌরকখি। দিমান্দ অসি পীননবগীদমক লল্লোনবা অদুগী কম্পেনিগা মহাক্কী কোওপরেটিব সোসাইটিগা এম ও য়ু অমা হয়েং তৌনরগনি হায়রি।

তোঙান-তোঙানবা লৈবাক্তগী লাকপা মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না কৌনানা শাবা পোৎলমশিং অদু মখোয়দগী লৌরগা মখোয়-মখোয়গী লমদমগী মীয়াম্না পামগদবা মওংদা দিজাইন তৌরগা অমুক নৌনা শেমজিল্লগা য়োনগদবনি হায়না ফোঙদোক্লক্মী হায়রি।

মহাক্কী কোওপরেটিব সোসাইটিনা শাবা কৌনাগী বেগ অদুগী খূৎপায়ফম পানবীদনবা খঙহল্লকখি। মখোয়দগী লৈখিবা বেগশিং অদুগী খূৎপায়ফম অদু লৌথোক্লগা তোখায়না শাউননা ওইনা পাল্লগা শেম্বগী মোদেলসু মখোয়দা ফোটো ওইনা থারকখি হায়না রেনুনা মখা তাখি।

হেন্দিক্রাফটকী পোৎলমশিং য়োনবা অমসুং লৈবদা মীৎয়েং থম্নবনা মহাক্কী হেন্দলূমদা শাবা মখল কয়াগী নীংথিরবা সারিশিং মশীং য়াম্না য়োনবা ঙমখিদে। অদুবু, মোনপাক ফিদক অমসুং টেবল ফিদানচিংবদি লুপা লাখ ১.৮০ রোমগী পোৎলমশিং য়োনবা ঙমখি হায়রি।

হন্দক্কী সুরজকুন্দ ইন্টরনেসনল ক্রাফট মেলা অসিদা পোৎ-চৈ য়োনবা অমসুং লল্লোনবশিংনা পূন্না লৌননবা ওর্দর তৌরকপশিংগী মনুংদা রেনু হেন্দলূম এন্দ হেন্দিক্রাফট কোওপরেটিব সোসাইটিনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈ হায়না মেলা অসিবু শীল্লিবশিংনা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

মেলা অসিদা শরুক য়ারিবা রেনু অমসুং মহাক্কী টিমশিং থা অসিগী ২৪ দা ইম্ফালদা হল্লক্কনি। মখোয়না ইম্ফালদা হল্লক্লবা তুংদা মপালগী ফার্মশিংনা ডিমান্দ তৌরকপা পোৎলমশিং পীননবা থবক হৌরগনি হায়রি।

## নুপীশিংবু ইকায় খুম্নবা...

*লামায় ১গী মখা...* লোয়নন্না কন্সটিট্যুসনদা নুপীশিংগী রাইটশিং ফংহনবগী য়ুম্ফম নীংথিনা পীখি। মসিনা সাউদি অরাবিয়া অমসুং অফ্রিকাগী লৈবাকশিংগা মান্নদবা মওংদা ইন্দিয়াদা নুপীশিংবু মান্নবা মীৎয়েংনা য়েংই হায়বসি উৎলি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মণিপুরগী নুপীশিংনা পোলিটিক্স, ইকনোমিগী লম্‌শিং অমসুং খুন্নাইদা লৌরিবা থৌদাং গভর্ণরনা অপেনবা উৎখি অমসুং মালেমগী খ্বাইদগী চাওরবা নুপীশিংগী কৈথেল ওইরিবা ইমা কৈথেলগী পাউ পাক শন্না শন্দোক্লীংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী শরুক ওইনা কম্পিটিসনদা অথোই-অহেন তাখ্রবশিংদা গভর্ণরনা মনা লাম্থোকখি।

থৌরম অদুদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যাম, মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চ্যেরপার্সন ডো. কে সোবিতা, কম্মিসন অসিমক্কী মেম্বরশিং ডো. ফরিদা শাহ অমসুং রঞ্জিতা গোলমৈনা মথংশিংনা স্পেসল গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

## শানৈ য়ুনৈরম্বা নুপী ৩ য়াওনা ...

*লামায় ১গী মখা...* য়ু বোট্টল কয়ামরুমসু ফাগৎপা ঙমখি।

পুলিসনা ফারবা মীওইশিং অদু পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসনদা গাড়ীদা হাপ্তুনা পুরকপদা লম্বীদা নুপা তরেৎ অদুগী মনুংদা অমনা পুলিস পর্সনেল অমগী এস এল আর মুন্নবা হোৎনরকখি। নোংমৈ মুন্ননবা মুক্লবদা পুলিস পর্সনেল অদুগী চীনবান অমদি য়াদা শোকখি। তুংদা মখোয় জেনিমস হোস্পিটালদা মেদিকেল এগজামিনেসন তৌখি। ফারবা মীওই তরা অদুগী মনুংদা হোটেল অদুগী ৱেট্রর অমসু য়াওরি হায়রি।

## অহোংবা পুরক্লবা হোৎনগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৮ (ঐচএন এস): মণিপুরদা পোলিটিকেলগী অহোংবা পুরক্লবা হোৎনগনি হায়না সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা ঙসি রিলাইয়ন্স ইন্দষ্ট্রিজ লিমিটেদ অমদি শোফিয়া ট্রেদরসকা খূৎশম্নরগা লংথবাল লেপ্তা রেলষ্টার লুব্রিকান্ট হাংদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হায়খি, রেলষ্টার বিল্ডিংদা হাংদোরক্লিবা অসি লাইবক ফবনি। রিলাইয়ন্স কম্পেনিনা লমদম অসিদা লাক্তুনা থবক পায়খৎলকপা অসি অফবা অমনি। রিলাইয়ন্সনা লমদম অসিদা থাজবা থমদুনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙথাং অসিদা মীয়াম্নসু মখোয়গী থাজবা মাঙহন্দনা খূদোংচাবা কয়া লৌবা ঙম্নবা হোৎনসি। লমদম অমা চাউখৎপদা ওন্ট্রপ্রেন্যুর য়াম্না মথৌ তাই। মণিপুরদা মায় পাকপা ওন্ট্রপ্রেন্যুর খরদি লৈরে। হ্বাইট কলর জোব খক্তনা লমদম অসি মপূং ফানা চাউখৎপা ওইথোক্লোই। শীনফমদা থাজবা থম্লবদি শীনফম অদু মায় পাকপা ঙমগনি। শেল তানবদা ঐ খক্তগী তানবা অদু নত্তে। ষ্টেটকী অমদি মীয়ামগী হিংনবগী লম্বী তঙাইফদে। রিলাইয়ন্সকুম্বা কম্পেনি লাক্লিবা অসিদা থাজবা পীবা তাই। থবক অমা পাঙথোকপদা মতম চানা হৌবা ঙমদবগী চৎনবী অমা লমদম অসিদা লৈরিবা অসি থাদোক্তুনা মতমগী মমল খঙনা মতম চানা হৌবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রো, রিলাইয়ন্স ইন্দষ্ট্রি লিমিটেদ, পেট্রোলিয়ম বিজিনেসকী ষ্টেট হেদ গোকুল স্বার্গ্যারি, ষ্টেট বিজিনেস দিভলপমেন্ট মেনেজর উমেশ বি আর, আই এস টি ভি ন্যুজগী এদিটর ইন-চীফ ব্রোজেন্দ্রো নিংঙোম্বম, ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া এম য়ু কেম্পস ব্রাঞ্চকী চীফ মেনেজর লুনখোসৈ কিপজেননা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। লাইশ্রম অহেনবনা থৌরম মপূ ওইনা শরুক য়াখি।

## এস টি লিষ্টতা চলহন্নবা...

*লামায় ১গী মখা...* ৱারী শীংবুলশিং নীংথিনা খঙমিন্নবা চঙই। ঐখোয় পূন্নমক অমত্তা ওইনা হিংমিন্নরকখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসি এক্স মিনিষ্টর আর ভি মিংথিংগা উনখিবা অদুদা চ্যেরমেন পব্লিসিটি থোকচোম গোপিমোহোন, এগজিক্যুটিব কম্মিটি মেম্বর তায়েঞ্জম খোগেন্দ্র, সগোলশেম রোবিন্দ্রো, এস টি দি সী এমগী জোইন্ট সেক্রেটরি কে ভোগেন্দ্রজিৎ, কো-ওর্দিনেটিং বোদি এস টি দি সী এমগী সনাজাওবা অমদি এস টি দি সী এমগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম নাওদালেনখোম্বসু শরুক য়াখি।

## লিলোংদা ময়াই কাবা দ্রগকী মায়োক্তা ...

*লামায় ১গী মখা...* কম্মান্দিং ওফিসর ৫-জে এন্দ কে রাইফলস অমিট বেদি, এস পি থৌবাল গৌতম, এস পি (এন এ বি) বাসু, সুপরিন্টেন্দেন্ট এন সী বি বিকাস কুমার, এ এল এ দি এগী চ্যেরপার্সন কয়ামুদ্দিন, অঞ্জুমানগী হবিবুলা, আই সী আর ওগী মৌলানা সাফিউদ্দিন অমদি এ এস পি ওগী অহামদিসু শরুক য়াখি হায়নসু মখা তারি।

## আর্টিষ্টশিংগী নুমিৎ...

*লামায় ১গী মখা...* ঠিএটরগী লমদা হোৎনরম্বা কয়ানা লৈবাক অসিদা মমল য়াম্লবা খূদোল পীরি। ঠিএটরগী লম্‌দা ইশাগী হৈথোই-শিংথোইবা উৎপা য়াবা ষ্টেজ, মফম লৈরবসিদা মীয়ামদা উৎতুনা ঠিএটরবু করম্না হিংহনগদগে হায়না খন্থবা মতম য়ৌরে।

থৌরম অদুদা খোমদ্রাম ধনচন্দ্র নীংশিং মনা-২০১৮গী মনা শক্লাইরবা ক্ষেত্রিময়ুম ইবোহলদা শীন্নখি। ক্ষেত্রিময়ুম ইবোহল নত্য ভুষন, মণিপুর ষ্টেট একাদেমি এৱার্দী, থিয়েট্রর এক্টর, দিরেক্টর, মণিপুর ড্রমাটিক য়ুনিয়নদা পীদুনা ইকাই খুম্নখ্রবা মীশকনি। খোমদ্রাম ধনচন্দ্র নীংশিং মনা অসিদা শেল ওইনা লুপা ১০,০০০ য়াওরি।

থৌরম অদুগী শরুক ওইনা ঠিএটরগী লম্‌দা লৈবীরম্বা লাইওইখ্রবশিংগী শক্তমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুম্নখি।

# ইপা-ইপূনা থম্লম্বা লিক্লমদা চৎনবা হোৎনবা তাই, য়াকাইরসি : লৈশেম্বা সনাজাওবা

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৮ (ঐচএন এস): ইপা-ইপূনা থম্লম্বা লিক্লমদা চৎনবা হোৎনবা তঙাইফদে, ইশা-ইশানা য়াকাইরসি হায়না মণিপুরগী নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা ঙসি মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী হোলদা পাঙথোকখিবা নোংঙানদ্রিবা অহিংগী য়াকাইরোল হায়না মিংথোনবা ওদিও এলবম ফোঙবগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

সলাইনা প্রজেন্ট তৌবা খানা চাওবা ৱাংপুরেল শীন্থা অপূনবা, সেরৌগী লিচিং পুরেল পন্থৌ ডো. য়েংকোকপম শরতচন্দ্রদা দেদিকেট তৌবা ওদিও এলবম অদু রিলিজ তৌবগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা হায়খি, নোংঙানদ্রিবা অহিংগী য়াকাইরোল হায়রিবা অসি য়াম্না ৱাহন্থোক লৈবা অমনি। লমদমসিদা লৈরিবা ঐখোয় পূন্নমক্না ইপা-ইপূনা থম্লম্বা লিক্লমদা চৎনবা হোৎনবা তাই। ইশা-ইশানা য়াকাইসি। হৌদোকপা ৱাবা খুন্নাইদি হিংবা ৱাগনি। তুংলমচৎতা অরংবা য়াইফবা পুরক্লবগীদমক ঐখোয় পূন্নমক্না হোৎনবা তঙাইফদে।

খুন্নাই অসিবু য়াইফনবগীদমক ঐখোয় পূন্নমক্না য়াকাইবা চঙই। অচুম্বা ঈচেলদা লাক্লবগীদমক লেপমিন্নবা তাই। অতুম্বা মীদি হৌদোকপা লাই। অদুবু, তুমদনা তুম্বা শাবদি হৌদোকপা ৱাগনি। লমদমসিগী য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা লিচৎ, য়ূম্বানলোন, শাজৎশিং চুন্না চৎপা ঙম্বা তাই। ঐখোয় পূন্নমক্না ইশা-ইশানা য়াকাইদুনা অচুম্বা লিক্লমদা চৎপা তাই। খুন্নাই অসিগীদমক ঙসিগী মীরোল ঐখোয়না হোৎনরম্বা তাই। পামদবা কয়া অমনা য়োমশিল্লগা লৈরিবা মশকশিং অসি লৈতনবগীদমক হোৎনবা চঙই। য়াইফবা খুন্নাই অমা পুরক্লবগীদমক ঐখোয় পূন্নমক্না অমত্তা ওইনা লেপমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী ৱাহৌদোক পীরদুনা সলাই হোল্ডিংসকী ভাইস চ্যেরমেন নারেংবম বিস্বজিৎনা হায়খি, নোংঙানদ্রিবা অহিংগী য়াকাইরোল হায়না মিংথোনবা ওদিও এলবম অমা ঙসি ফোঙলি। মসিগী ৱাফম অসিমক তশেংবদি পূন্সিদা ৱাহং অমা ওইরি। চারসি মৰূ, হুন্দোকসি মতেং হায়বদুনি। অদুবু, থমদবদি য়াদবনিনা থমজরি। কুমজা ১৯৯০গী লোইরমদায়দা মঙলান্দা চৈশু পায়বা শম্লু থুংবা অহল অমা হেক-হেক উবদগী ঈথিল ওইদুনা ঙসি ফাওবদা ফোঙদোক্ত্রিবা ঙাইখোগবা অথৌবা হায়না মিংথোনবা শৈরেং অমা ইজখি। মসিনা ঙসিগী য়াকাইরোল অসিগী ৱামাঙ য়ানবনি হায়নসু মখা তাখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী চ্যেরমেন এন্দ মেনেজিং দিরেক্টর নারেংবম সমর্জিৎনা হায়খি, নোংঙানদ্রিবা অহিংগী য়াকাইরোল হায়বা অসিগী ৱাহন্থোকশিং খঙমিন্নবা চঙই। ঐখোয় মীকপ থোক্ত্রবদি কান্নফম লৈরোই। ঐখোয় পূন্নমক মীকপ থোকমিন্নবা চঙই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা খানা চাওবা ৱাংপুরেল শীন্থা অপূনবগী প্রসিদেন্ট য়েংকোকপম ওংবী ইন্দিরানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

# মাদর লেঙ্গুৱেজ এৱার্দ ২০১৮ য়েন্থোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৮ (ঐচ এন এস): সাহিত্য থৌপাং লুপ (সাথৌলুপ)না শিন্দুনা লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ২১ গী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা মণিপুর প্রেস ক্লবতা মালেমগী ইমা লোন নুমিৎ পাঙথোক্লগনি।

হায়রিবা থৌরম অসিগা মরী লৈননা স্বইজেনরিজ এগ্রোনোমি প্রাইভেট লিমিটেদনা কৎপীরকপা স্বুইজেনরিজ সি সি টি মার্দর লেঙ্গুৱেজ এৱার্দ ২০১৮ য়েন্থোক্লগনি। হায়রিবা এৱার্দ অসি মণিপুরগী লোলগী এক্টিভিষ্ট লমাবম গোজেন্দ্রদা পীগনি হায়দুনা সাহিত্য থৌপাং লুপগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অসিদা মণিপুর সরকারগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রেলেসনগী ডিরেক্টর মেঘচন্দ্র কোংবমনা চীফ গেষ্ট, মণিপুর লেঙ্গুৱেজ ডিভলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিডেন্ট লৈহাওথাবম সরতচন্দ্রনা প্রসিডেন্ট ওইগনি। লোলগী নুমিৎ অসি পাঙথোকপগা লোয়নন্না মণিপুরী লোল অমসুং ক্লাসিকেল লেঙ্গুৱেজ হায়বা হীরম অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ডিপার্টমেন্ট ওফ মণিপুরীগী প্রো: পাওনম গুনিন্দ্রোনা ৱা ঙাংগনি অমসুং খন্ন নৈনগনি হায়না সহিত্য থৌপাং লুপগী চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

# ভি ডি এফকী য়াইফ থৌরাংশিং লাউথোকপীদ্রগদি খোঙজঙ চঙশিল্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৮ (ঐচএন এস): হৌজিক চথরিবা এসেমব্লি সেসন অসিগী ফেব্রুৱারি তাং ১৯ দা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা ভি ডি এফশিংগী করম্বা করম্বা য়াইফ থৌরাংশিং লৌখৎলিবগে হায়বদু শেংনা ফোঙদোকপীনবা ওল মণিপুর ভি ডি এফ ৱেলফিয়র এসোসিএসন্না তকশিল্লক্লি।

এসোসিএসন অসিনা ঙসি প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ওল মণিপুর ভি ডি এফ ৱেলফিয়র এসোসিএসনগী লিদরশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙসি পাঙথোকখি। মীফম অদুদা হৌখিবা ফেব্রুৱারি ১৭ কী পাউচেশিংদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা ষ্টেট অসিগী সেক্যুরিটি পার্সোনেল অমসুং অপূনবা মশিং ১৬,৩১৯ লৈ হায়না ফোঙদোকখিবগী ৱাফম অদুগী মতাংদা খন্নখি। মণিপুর পুলিস অমগা চপ মান্না মপূং ফানা থবক তৌরিবা অমদি হৌজিক হৌজিক্কী ওইনসু থা ২/৩ গী খুৎশুমল পীথোকপিদ্রিবা ওইরবসু মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দর ঙাক্তুনা ভি ডি এফশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরি হায়বা ৱাফম বি ডি এফ ৱেলফিয়র এসোসিএসনকী ডিষ্ট্রিক্ট ১৬ কী মকোক থোংবশিংনা ফোঙদোক্লখি।

এসোসিএসন অসিগী মতুং ইন্না ডিষ্ট্রিক্ট ডিষ্ট্রিক্টকী ওইবা ষ্ট্রেঙ্কশিংদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী ২০৫০, ইম্ফাল ইষ্টকী ১৭৫০, থৌবালগী ২৫০০, বিষ্ণুপুরগী ১৩৫০, চুড়ান্দপুরগীনা ৬০০, চান্দেলগী ৩০০, সদর্স হিলসকী ৩০০, উখ্রুলগী ৩০০, সেনাপতি ৯০০, তমেংলোংগী ৩০০, জিরিবামগী ৩০০ পূন্না ভি ডি এফ মশিং ১০,০৫০ নি।

ষ্টেট পুলিসকা মান্ননা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা য়াম্লবা ভি ডি এফশিং অসিগীদমক্তা গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলিবা য়াইফ থৌরাংগী থৌশিলশিং চৎলিবা এসেমব্লি মীফম অসিগী ফেব্রুৱারি ১৯ দা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী লাউথোকপীগদবনি হায়না মীফম অদুদা ৱারেপনখি অমসুং করিগুম্বা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী নুমিৎ অসিদা অসিগুম্বা য়াইফ থৌরাংশিং গভর্ণমেন্টনা লাউথোকপা ঙমদ্রবদি লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ২০ গী অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা ভি ডি এফ শিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা খন্নগনি হায়না খঙহল্লক্লি।

# নাগপুরদা ক্রাইম রিপোর্টর অমগী মমা অমসুং পীক্লিবী মচানুপী হাৎলগা থম্লম্লে

নাগপুর, ফেব্রুৱারী ১৮ (ঐচএনএস): নাগপুরদা বেজ তৌবা ক্রাইম রিপোর্টর অমগী মমা অমসুং চহী নৌরীবী মচনুপী ঙসি সিটি অসিদা হাৎলমলে হায়না পুলিসকী পাউনা হায়রি।

হৌখিবা থাংজদগী থীবা ফংলকখিদ্রবা মশাগী চহী ৫৪ শুরবী উষা এস কাম্বলে অমসুং থা ১৮ শুবদা ঙাইরীবী মহাক্কী মচানুপী রাশিগী হকচাংশিংদু মীওই খরনা ঙসি সিটি অদুগী সিতাবুলদি এরেয়াদা লৈবা স্কুল বিল্ডিং অমগী মনিংদা লৈরম্বা থেংনখি।

নাগপুর টাইমস কৌবা পোর্টেল অমগী ক্রাইম রিপোর্টর অমা ওইরিবা রবিকান্ট কাম্বলনা মখোয় থাংজগী নুমিদাংদা মাখোয়গী ময়ুম লম দিখোরিগী মনাক্তা লৈবা কৈথেল অমদা চৎখিবদগী য়ুমদা হল্লকখিদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

মখোয় ফারবা মতুংদা হাৎতোক্লগা থম্লম্বা ওইরমগনি হায়না থাজবগা লোয়নন্না মখোয়গী হকচাংশিংদু বোরা অমদা হাঞ্জিল্লগা নালা অমদা হুন্দোক্লমখি মখোয়গী মখনাওশিংদা থাংনা লেনবগী মমিশিং তারমখি মীহাৎ অনিদুগী মরম চপ চাবা লেপত্রিবা ওইরবসু পুলিসনদি মদু থবক্তা য়েংথীনবা নত্রগা লনাই নুঙাইনদবা নত্রগা শেল-থুমগী য়েৎনবদগী ওইবা য়াই হায়না ফোঙদোকখি।

নাগপুর পুলিসনা অথুবা খোংথাং লৌগৎলদুনা মীহাৎশিংদুগা মরী লৈননা চীংনবা মীওই অনি ফাখি।

মীহাৎশিং অদুনা মহারাষ্ট্রগী অনিসুবা কেপিটেল অমসুং হোমগী পোটফোলিওসু পাইরিবা চীফ মিনিষ্টর দেভেন্দ্র ফদনাভিসকী হোমটাউন নাগপুরগী মীয়াম্বু থম্মোয় শোকহনখি। ক্রাইম রিপোর্টর অমগী মমা অমসুং চহী নৌরীবী মচনুপী ঙসি সিটি অসিদা হাৎলমলে হায়না পুলিসকী পাউনা হায়রি।

# ফ্রি মেডিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৮ (ঐচ এন এস): য়ুম্নাম খুন্নৌদা লৈবা লাইনিংথৌ পুথিবা কম্যুনিটি হোলদা ঙসি নোংমগী ওইবা ফ্রি মেডিকেল কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

ৰুমেন্স সোসল ৱেলফিয়র এসোসিএসন য়ুম্নাম খুন্নৌ অমসুং ৰুমেন এমপৱারমেন্ট এসোসিএসন য়ুম্নাম খুন্নৌ অনিনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা মীৎ, হার্দ, পেদিয়াট্রিক, মেডিসিন, গাইনিকোলোজিগী খং হৈরবা ডোক্টর কয়ানা ২০৮ রোম্বু লায়েংখি অমসুং হীদাক লাংথক্লচিংবা লেম্না য়েন্থোকখি হায়না থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ডোক্টর কে এস ঐচ কলানা ফোঙদোকখি।

হায় ব্লদ প্রেসর অমসুং হায় ব্লদ সুগর হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা মেডিকেল কেম্প অদুদা মীরোনবী নুপী কয়া ব্লদ প্রেসর ৱাংদনবা চেকশিন্নিংঙাই ওই হায়না ফোঙদোকখি।

# খোঙজোমনুবীগী শজীকলোয় নুরাবী লাইরিক্কী অহুমশুবা ভোল্যুম ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৮ (ঐচ এন এস): নোংচুপ হারম খোর্জৈ লূপ (নোহাখোল) না শীন্দুনা লূপ অসিগী সিলভর জুবিলী থৌরমগী মখা চথরকপা ওইনা চহী অনী লেপ্তুনা থাখূদিংগী লাইরিক ফোঙবগী থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ইম্ফালগী মণিপুর প্রেস ক্লবতা ডো. আই এস য়ুম্নামনা ইবা খোঙজোমনুবীগী শজীকলোয় নুরাবী (৩) কৌবা লাইরিক অমা ফোঙখ্রে।

লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা প্রোফেসর খংজ্রাকপম কুঞ্জো ডিপার্টমেন্ট ওফ ইংলিস, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা চীফ গেষ্ট; ডো. এল সশিকুমার য়ুরেম্বম, প্রসিদেন্ট নোহাখোলনা প্রসিদেন্ট অমসুং বিরেন্দ্রজিৎ নাওরেম, সাহিত্য একাদেমি এৱার্দীনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইদুনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা বিরেন্দ্রজিৎ নাওরেমনা ফোঙদোকখিবদা নোহাখোলনা মণিপুর লিটরেচরদা হৌজিক ফাওবদা লাইরিক ১৭২ ফোঙদুনা অচৌবা থৌদাং অমা লৌরি। মসি মীপূম খূদিংনা কাওবা ঙমদনা খঙলগদবা অমনি।

মহাক্না হায়, লমদম অসিদা লূপ কয়ানা লাইরিক মশিং থিঙমদনা পুথোক্লরি। লাইরিক পুথোকপসি য়াম্না ফবা থবক অমনি। অদুবু মশিং য়াম্না পুথোক্লবসু মণিপুর লিটরেচরনা শক খঙবীদ্রবদি কান্নদে। লাইরিক ফোঙবা হায়বসি শেল তিংই লোয়নন্না মতম কয়া অমা মাঙলিবনি। অদুনা লাইরিক ফোঙগে খনবা মীনা ফোঙদ্রিঙৈদা অখঙ-অহৈ তানদুনা অশোয়-অরান শেমদোকহৌদুনা মণিপুর লিটরেচরদা য়াওবা ঙম্বা লাইরিকশিং ফোঙবীয়ু হায়নসু মখা তাখি।

লাইরিক অদু নোহাখোল, য়ুরেম্বমগী চহী ২ চুপ্পা পাঙথোক্লিবা সিলভর জুবিলীগী ২৭ শুবা চহীগী ১৭২ শুবা লাইরিক ওইনা ফোঙবনি।